# লুহোংববু অঙাংগী থবক্লা
## কৈদৌবৈ মখে লাংইনো

'মীওই' নৎত্রগা 'মী' হায়বসিদি গ্রামারগী মতুংইন্নদি 'কম্মন নাউন' নি হায়রক্কদবা মাল্লি। মরমদি ৱাহৈ অনীসিনা নুপাসু-নুপীসু অনীমক তুনা খঙনরিবনি। মরম অসিনা মীওইবসু হায়রগুমসি, 'মী' হায়নসু শীজিন্নরগুমসি। কম্মন নাউন ওইরসু য়াম্না ময়েক শেংনা 'নুপা' হেক্তা হায়রসি। অদুবু নুপা অমনা ময়ূম-মকৈ পান্ননবা হোৎনজরকপা, থৌরাং তৌজরকপা হায়বদি মণিপুরদা 'আগে'দগী চৎনরকপগী মতুংইন্না য়ূম্বান পূন্সিদা খোঙদানবগীদমক নুপী চেনবা, চেল্লবা মতুংদা 'মচিন হংবা', 'নুপী থিল্লকপা' য়াওনা 'পাউ হায়দোকপা' নৎত্রগা 'নুপী হায়দোকপা'নচিংবগী তৌনরকপা থবকশিংসি লোইনা কোৎথোক্লুদ্রবসু য়ূম্বান পূন্সিগীদমক 'কৈন্যা কৎপা' নৎত্রগা 'লুহোংবা' (পূন্সি লৈপুন) শেম্বগী থৌরমশিং পাঙথোকচরকপদবু সোশল মীদিয়াগী তোঙান-তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদা পোষ্ট তৌনরক্তুনা অসুক য়াম্না মনা-মনিল নাইনরক্লিবসিবু করিগীনো হায়বনিদা? হোয়, নুপী মশানা শুকয়া য়াদবদগী নমদুনা ফারগা (কিদনেপ তৌরগা) মফম অমদগা লোৎশিন্দুনা থমজিল্লগা (রোংলি কনফাইন) তৌরগা লৌবনচিংবগী থৌওংশিং চথ্বরক্লগবুদি লো থুগায়দুনা খোঙ্গাওনবা থৌদোকশিং ওইবনিনা চেন্নবা কনা-কনানো, করম্বা মতমদা মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বনচিংবগী মতাংদবুদি পুথোক-কোৎথোক্তুনা ৱাগী ৱা ওইনা ঙাঙনরকপবুদি কদাইনো হায়রসেবু নুপা অমনা মাগা নুংশিনজবা, পামজবা অমসুং য়ান্নজবা নুপী অমা চেল্লক্তুনা পুশিল্লকপদবু অতোপ্পা মীওইশিংগী করি মথৌ লৈদোইনো? মীতৈগী চৎনবীদদি মশানা য়াদ্রবা ফাওবদা 'নুপী চিংবমক' নৎত্রবসু মখুদাংবু পায়খ্রবদি নুপীদু খুদাং পায়রিবা নুপাদুগী ওইবগী চৎনবী অমসু থায়নদগী লৈরক্লুবনি। ৱা লোইরে। মসিদবু নুপা অমনা চেল্লকপা নুপীদু লৈশাবী ওইগেরা, মৌ ওইগেরা, ময়া য়াথক-য়াখা অনীমক্কা য়াওদ্রবা, মঙৈগা থোক-থোক নীক্লবা ওইগেরা, নুপী অমা চেল্লকপদবু ৱা ওইনা ঙাঙনদোইসিবু করিগীনো হায়বনি। নুপা-নুপী য়ূম্বানমিন্নবগী মতাংদবুদি লৈবাকসিগী ওইবা এক্ট, রুল অমসুং মথৌ তাবা লোশিং মরাং কায়না লৈ। নুপা অমনা মহাক্কী লোয়নবী লৈরিঙৈদা নুপী লোনবা, অতোপ্পা নুপীগা য়ূম্বানমিন্নবা 'পোলিগেমি' দা অথিংবা পীবা, নম্ফুদা তৌরক্লগনা চৈরাক পীনবগী প্রোভিজনশিং মতম কুইনা শাংনা চৎনরম্বা 'ইন্দিয়ন পেনাল কোদ' (আই পি সী) দা য়াম্না ময়েক শেংনা য়াওই। হৌজিক 'বি এন এস' হায়দুনা মমিং ওন্থোক্লগা চৎনরক্লিবসিদসু য়াওরিবনি।

এক্ট, রুল অমসুং লোশিংসি খক্তগী ৱাফম নত্তনা 'হিন্দু মেরিএজ এক্ট' লৈবগুম্না 'মুসলিম পর্সনেল লো' হায়বনচিংবসু লৈরিবনি। লৈবাকসিগী ওইনা নুপী লোনবা 'পোলিগেমি' দা অথিংবা পীরকপগী মথক্তা য়ূমলোন্নরিবা অসামদদি মসিগী মায়োক্তা থৌওইনা এসেমব্লিদা বিল ওইনগা পুথোরক্তুনা খন্নরগা হন্দক নবেম্বর, ২০২৫দগী এক্ট ওইনা চৎনহল্লকখিবা ফাওবা লৈরক্লিবনি। মণিপুর খক্তগী ৱাফম নত্তনা এক্ট, রুল অমসুং লো কোকথোং অমা লৈরবসু নুপা-নুপী য়ূম্বানমিন্নবগী থৌদোকশিংসিদি মী তাবা মফম খুদিংমক্তা লৈনবা চৎনবীনি অমসুং লোগী মনুং-চন্নসু থোকই। চৎনবীসিগী ৱাংমদা চথ্নরকপসু য়াওই। অদুবু নুপা-নুপী য়ূম্বানমিন্নবদা অমগা অমগা অমত্তা মান্নদে। চৎনবীগী থৌরমশিং পাঙথোক্লগা হরাও-হরাও লৈমিন্নখিবা, মনা-মনিল শোৎ-প্রেক লাওনরক্তবা য়াওই। অদুগা শরা-শল্লকপদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরকপসু অদুম ময়াওই। অদুবু লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা নুপীনা চহী ১৮ শুদ্রবা অমসুং নুপানা চহী ২১ শুদ্রবদি য়ূম্বান পূন্সিদা খোঙদাবা য়ারোই হায়দুনা থিংলিবা 'প্রোহিবিশন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্ট, ২০০৬' কী অকনবা খুবাম্নুংদবু কোনশিন্দ্রবদি হায়বদি চহীবু শুরবদি য়ানজবা নুপা-নুপী য়ূম্বানমিন্নবদা করি কায়গে? কায়দে অমসুং য়াই হায়দুনা মমাঙদসু ময়াম তৌনখ্রেনা? মচা-মশু মহৈ-মশিং তমহনবদা নত্তনা ময়ূম-মকৈ ফাওবা পানশিনবীদুনা শেম্বী-শাবীবা লোইশিল্লক্লে হায়দুনা নৌহৌননা নুপা অমনা অমুক ময়ূম পাল্লকপদবু কৈদৌবৈ ৱায়াম্নরিনো? শেল য়াম্না পুথোক্লগা মমল য়াম্বা স্মার্টফোন লৈদুনা পায়রগা রিচার্জগা হাপ্তুনা সোশল মীদিয়াগী তোঙান-তোঙানবা প্লেটফোর্মশিং শীজিন্নরিবদু মীনা নুপী চেল্লকপদা কম্মেন্ট পীনব্রা? নত্তে, অসিগুম্বসি নৎত্রবদি নখোয়গী নথৌসি ইরৈমক লৈত্রবরা হংবনিদা। সোশল মীদিয়াগী কান্নবসু লৌবা হৈতবা মীওইশিংগী মশীং য়ামখৎলক্লিবসি য়েংনীংদে। উবদা মিৎ নারে হায়বনি। ইম্ফালগী থাপ্লবা অমসুং মনুং হঞ্জিনবা তম্পাক অমদি চীংগী মফম অমদসু মচা-মশু নীংথিজনা শেম্বা লোইরবা নুপা অমসু নুপী চেল্লে হায়। মদুদি নখোয়না খঙদবদগী পেৎ-পেৎ তৌরক্ত্রে নৎত্রা? তৌগে হায়রগনা নুপী চেনবা-চোংবগী থৌদোক খুদিংমক হুমা-হুমা থিরগা অমত্তা চিত্থদনা সোশল মীদিয়াদা শবাক ফাক্লোদনা? অদুসু ঙমদবা। ইম্ফাল ময়োল স্বাইদা থোকপা খরা তৌবা, নুপী চেনবা খক্তমক কোৎথোক-শেৎতোক্তুনা লৈগনু হায়বনি। 'লুহোংবসিবু অঙাংগী থবক্লা' হায়দুনা ওনশিল্লগা খংলাও-লাওশিন্দুনা থীনা চৈশিল্লম্মী হায়বা থৌদোক্তুগী ৱারীদো তাদবা য়াওরিব্রা? য়াওরম্লগসু খঙননবা হায়রক্লেসে। মশাগী চহী তঙ্খাই চল্লপ লৈশিল্লক্লুবা নুপা'মা 'বর' ওইনা কোকয়েৎকা য়েৎলগা লুহোংবা লাক-এয়ে। লুহোংবগী 'বর' লাকপা হায়সিমক্তবু লুহোংগদৌরিবী 'কৈন্য' দুগী য়ূমথংনবা অমসুং লৈকায়গী মীওইশিংনা চেন্থোক্তুনা য়েংনরকইদনা। লৈশাবী-মৌশিং হায়বদি নুপীশিংনা খিৎ নম্না মাঙজিল থাদুনা য়েংনরক্লিবনি। মদুদা চহী লৈশিনবগী হৌনবা মমায়গদু খুইজিন-মুশিন্দুনা 'পোটহোল'না থনবা লম্বীদৌনা তৌরম্বদুদা শম্বল মরুমদগী খুনিং কাঙ্খৎলগা য়েংবা নুপীমচাশিংদুনা 'বরসে অহল ওইরে, য়াম্না লিরে'না হায়রুবদা 'বর'দুনা থোক ওনশিল্লক্লগা 'চথোহে, লুহোংবসিবু অঙাংগী থবক্লা' হায়দুনা চৈশিল্লম্মে হায়বা'মা লৈবনি হায়বনি। করি থোক-অগে? চেনগে চেনশনু, হোংগে-হোংসনু। নখোয়গী নথৌ করি লৈগে? মানা-মানা ঙমজবা 'কেপাটিটি' নি। মখা তানা মখে লাংলক্কনু। নথৌ লৈতবা মাল্লি। য়েংনীংদে হায়বনি।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৯৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

তাইবংপানদা পোকলকলে। অদু নুমিৎতগীবু। মৈদিংঙু মচা পামহৈবা। থোংনাং লিশিং চাইবা ও মিংথোল মিংকৌখিয়ে। নবুথৌ খোইয়ুম লাইনিংথৌ। মৈদিংঙু মচা পোমহৈবগী। সনা মিংথোললেলবু। তাংনা খমনা মিংথোল ফঙবা। মৈদিংঙু নোংপোক ৱাইরং পামহৈবা ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু নোংপোক ৱাইরং পামহৈবদি। মাইকৈ খানা পাংবা লম। চুমবা কাইকোংথেল। চমপা ঙাতোই লোক। ফাইতা মায়ুম মনাকপু তুংওই নাতৈনা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯹꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯇꯥꯏꯕꯪꯄꯥꯟꯗꯥ ꯄꯣꯛꯂꯀꯂꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯕꯨ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯃꯆꯥ ꯄꯥꯝꯍꯩꯕꯥ꯫ ꯊꯣꯡꯅꯥꯡ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯆꯥꯏꯕꯥ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯅꯕꯨꯊꯧ ꯈꯣꯏꯌꯨꯝ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯊꯧ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯃꯆꯥ ꯄꯣꯝꯍꯩꯕꯒꯤ꯫ ꯁꯅꯥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯂꯂꯦꯂꯕꯨ꯫ ꯇꯥꯡꯅꯥ ꯈꯃꯅꯥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯐꯉꯕꯥ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯋꯥꯏꯔꯪ ꯄꯥꯝꯍꯩꯕꯥ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯋꯥꯏꯔꯪ ꯄꯥꯝꯍꯩꯕꯗꯤ꯫ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯈꯥꯅꯥ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ꯆꯨꯝꯕꯥ ꯀꯥꯏꯀꯣꯡꯊꯦꯜ꯫ ꯆꯝꯄꯥ ꯉꯥꯇꯣꯏ ꯂꯣꯛ꯫ ꯐꯥꯏꯇꯥ ꯃꯥꯌꯨꯝ ꯃꯅꯥꯀꯄꯨ ꯇꯨꯡꯑꯣꯏ ꯅꯥꯇꯩꯅꯥ꯫ ●

# ইরমদমসি চাওখৎলবদি ঐখোয়সু চাওখৎলক্কনি



মতম মতমগী ৱাফম
**সেঞ্জম দেবেন**

মহৌশানা ফাইরেল থাগী লৈচিলগী অরেপ্পা মওং লৈতবা অমসুং মিৎকুপ খুদিংগী মশক হোংবনা মরম ওইরগা, ইরমদমসিগী অশৈবা কয়ামরুম্না ফাইরেল থাগী লৈচিলবু অঙাওবা লৈচিল, শক্লোন পুবী লৈচিল নৎত্রগা মিৎকুপ খুদিং শকওনবী লৈচিল হায়বনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মিংথোলশিং পীদুনা শৈথানদুনা লাকই। ফাইরেল থাগী অপাইবা লৈচিলগী পল্লেপফম খঙদবা অওনবা মতৌসি মতমসিগী পোলিটিসিয়নশিংগী মওং-মতৌশিংগা চাংদম্নবগী থবকসু তৌনদবা নত্তে। মশাগী অরেপ্পা য়ূম্নাক-শাগৈ লৈতবা, তোঙান-তোঙানবা শাগৈশিংদা মথং-মথং ওংলুবা খুদিংগী মশাগী য়ূম্নাক-শাগৈ হোংবা নুপীশিংগী মতৌগুম, মতমসিগী পোলিটিসিয়নশিংনা মশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা পার্টি অমদগী অমদা মথং-মথং চোংই হায়বগীদমক মখোয়বু ফাইরেল থাগী লৈচিলগী অরেপ্পা মওং লৈতবা, পল্লেপফম খঙদবগী মতৌগা চাংদম্নবনি। অদুবু, হন্দক্কী চহীসিদা ৱাকচীং থাদা ৱাকচীংগী নোং খিকখিদ্রবসু ফাইরেল থাদদি ইথা থাজদনা, নীংথম উল্লেন্না য়ৈবদা অরিবা উনাশিং কেনখ্রবা উপালশিংনা অনৌবা য়েন্নিং হুল্লকপা য়েন্নীং থাগী মতমসিদা, মতম শাংনা ৱাকচীংগী উল্লেন নংবগুম নংলুরবা পি আর লৈঙাক্কী অৱা-পোৎলূম থাংথদুনা ইরমদমসিগী এম এল এশিংতনা শেমজবা অনৌবা লৈঙাক্কী য়েন্নিং হুল্লকখি। খ্বাইদগী নুংঙাইজরিবদি মসিনি। মতম শাংনা ইরমদমসিনা পি আর লৈঙাক্কী চৈথেং খাঙলক্লুবা মতুং, হন্দক্তা ইরমদমসিগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এশিংতনা শেমজবা ইরমদমসিগী ইনৌ-নৌবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙম্লকখিবনি। হন্দক্কী লৈঙাক সিমত্তংদি নিংথিজনা ইরমদমসিগী মীচম-মীয়ামগী ইহুল খঙনা ঙাকপা লৈঙাক হায়বদু ওইহন্নীংই। পূম্নমকসি ইরমদমসিগী অনৌবা লৈঙাকসিবু লুচিংবীরিবা ইকায়খুম্নজরিবা অনৌবা চীফ মিনিষ্টরসিগী মখাসু য়াম্না পোনগনি।

ইরমদম মণিপুরসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফিবান্নুংদা হেক চনখিঙৈদগী ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অমুক্তসু থৱায় তানা অমদি মপূকচেল শেংনা য়েংবীরকপা, মিনুংশিগী মিৎয়েং হায়বদু থেংনরক্তবদৌনা তৌই হায়বা ৱাফমসি ইরমদমসিগী মীয়াম্না ফোঙদোক্লুরকপসু তাখ্রে। অদুবু মমাঙদা কয়ারক হন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইরমদম মণিপুরসিবু থোয়দোক-হেনে দাকপা মিনুংশিগী ওইবা মিৎয়েং অমা ফাওবা য়েংবীরকখিদ্রে হায়রগসু, হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাকসিগী ওইনদি করি ওইরক্কদগে হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনা কনামত্তনা হায়বা ঙমদ্রিবনি। কনানা খঙগনি, হন্দক নৌনা ফম পায়রক্লিবা ওনরেবল সী এমসিগী মতমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী মীচমশিংবু ফুদিৎ ফুবমখৈ নুংশিবীরক্তুনা লুনা-চান্না তৌবীরকপসু। সিসু থোকহৈদে হায়বদি লৈবপোৎ নত্তে। অদুবু পূম্নমকসি ফনা ওইদুনসু মথক্তসু পঞ্জখ্রে, ঐখোয়গী লৈঙাক্কী অনৌবা লুচিংবা ওইবিরিবা ইকায়খুম্নজরিবা সী এমগী হৈ-শিংবা অমদি মী তিন্নবা হৈবগী মখাসু তশেংনা পোনগনি। সেন্টর লৈঙাক অমসুং ষ্টেট লৈঙাক অনীগী তাইনফম অমসুং শম্নফম ওইরিবা মীশক হায়রগদি মহৌশানা শুপ্নগী ষ্টেট লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবা ওনরেবল সী এম হায়বসি খক্তনা ওইনরিবনি। ওনরেবল সী এমনা ফবগী মতিক অমসুং মতিক চাবগী মতিক, ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু মণিপুরবুসু শকখঙবীরকপা য়াই। ইরমদমসিগী মীচম-মীয়াম্না য়াবা অচুম্বা চৎপা সী এম অমা ওইরক্লবদি খন্নরিবা খিবীকসি শোয়দনমক্কী মায় পাক্লক্কনিসু খল্লি। খঙদে, হন্দক্তি ৱাখলসি পূম্নমক ফমিন্নবা হায়বসিগী ৱাখল্লোন খক্তদনি লৈরিবসি। অচুম্বা খক্তবু তৌবীরবা, লৈত-লায়রশিংবু মীনুংশিগী মিৎয়েংনা য়েংবীরবা, তৌরুবা খুদিংমক্তা করিগী মহয় য়াল্লোইদৌরিবনো অমসুং মীয়াম্না য়াবা লুচিংবা হায়বদুসু ওইরোইদৌরিবনো? মীয়াম্নবু য়াবীরবা, লৈত-লায়রশিংনবু থম্মোয় পেনবীরবা, ইরমদমসিগী অপূনবা মীয়ামসিগী পাঙ্গলসি ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা লুচিং পুরেল ওইবীরিবা ওনরেবল সী এমগী পাঙ্গল ওইবীফম থোকই।

মীয়ামগী লুচিংবা ওইবা হায়বসি মহৌশানা মীয়ামগীদমক কথোকপা ঙম্বগী থৌনা-লিংজেল অমমমদি মশাদা শোয়দনমক্কী চেল্লম্ফম থোকই। অমরোমদনা, লমদমসিগী মীয়াম্নসু লুচিংবা অমনা পুবা-থাংবদা ঙম্লোইদৌবা ৱাফমশিংবু কৈদৌঙৈদা খক লুচিংবা ওইরিবা মীশক্তুগী কোকথক্তা থাঙ্গৎনবসু শেম শাবীগনু। পোৎলূমদু থাঙ্গৎপীদ্রিঙৈগী মমাঙদা পুবা ঙমগদ্রা নৎত্রগা ঙম্লোইদ্রা হায়বদু লুচিং পুরেল ওইবীরিবা মশামক য়াওনা হান্না নীংথিজনা খন্নমিন্নহৌবসু চুমগনি। মতম লৈবা খিবিক্তা মীচম-মীয়াম্নসু ইশা-ইশা খক্তগী ৱাখল্লোন্দা মাঙজিল থানবগী ৱাখল্লোনশিং থাদোকমিন্নসি। পঞ্জরিবা থৌদৌ খরসি মণিপুরগী অয়াম্বা মীওইশিংনসু মমাঙগী টর্মশিংদা ঙাইহাক লৈতনা থেংনবীখ্রবা অমসুং উবীখ্রবা ঙাক্তনি। অদুম ওইনমক, হায়রিবা থৌদৌশিংসি ঙসি ফাওবদা ইরমদমসিদা থোকপগী চাংদি খক হন্থদ্রি হায়বসিসু ঙসিগী মীয়াম্না খঙমিন্নসি। পূম্নমকসি ইরমদমসিগী লৈঙাক্কী লুচিং পুরেল ওইবীরিবা, ইকায়খুম্নজরিবা লুচিংবা মশামক্কা ইরমদমসিদা লৈরিবা লমদমসিগী মীচম-মীয়াম ঐখোয়গা পাউ ফাওনবা ৱাংহৌবদগী থোকপা থৌদৌশিং ওইগনি। ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা ষ্টেট খুদিংমক্তগী ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরসিনা চাওখৎ-খোঙথাংগী লম্বীদা খ্বাইদগী হেন্না শোত্থহৌরবা ষ্টেট অমা ওইরি হায়বসি কাউনদনা, হন্দক্তি ঐখোয় খুদিংমক পাঙদিং মান্ননা অমুক্তং মীগী ষ্টেটশিংগা মীমান্নবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নহৌসি। কনানা কনাগী হায়বা, অমনা অমগী মথক্তা তুকা থিনবগী ৱাখল্লোনশিং থাদোকমিন্নসি অমসুং ইরমদমসিগী লুচিংবা য়োকখৎপগী থবকলোমদা ওইনা মায় ওনশিনমিন্নসি। ঐখোয়গী ইরমদমসিগী মীয়াম পূম্বসি লুচিংবা য়োকখৎপগী হৈনবীদি থোইনা লৈনদ্রিবগুম তৌই। য়ারবদি ৱাখল্লোনসিসু ওন্থোকমিন্নসি। থৌদৌসি খক্তনা শোত্থহৌরবা ইরমদমসি কলহৌবা ঙমগনি খল্লি। ইরমদমসি হান্না চাওখৎহল্লগা ঐখোয় পূম্নমকসু চাওখৎপা লমদমগী মী অমমম হায়বদু ওইরক্কদৌরিবনি। ঐখোয় পূম্নমক্কী অপূনবা ইরমদমসি হান্না চাওখৎহন্দনা কৈদৌঙৈদসু খক ঐখোয় ইরন্নাই ওইনা চাওখৎপদি খক ওইথোক্কনি থাজদে।

মতম কয়া হৌখ্রে চাওখৎ-লম্বেল হায়বদু অমত্তসু চৎহৌদনা, চাউরবা লাঞ্জাও অমনা ফৈনা থিংজিন্দুনা থমখিবনা ইরমদমসিদা। অদুবু, তাঞ্জা হেক ফংবদদি ঐখোয় চাওখৎপগী লমজেলসিদা খুমাঙনবু চৎলবসু নৎত্রগা খুনীংনবু ওইরসু চৎহৌদবদি খক য়ারোই। মথক্তসু হায়ফেৎ পঞ্জখ্রে, মতম কয়া ইরমদমসিদা পি আর লৈঙাক লৈশিনখিদুনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরুরে, ঙসিদি পি আর লৈঙাক্কী মতম লোইশিনখিদুনা ইরমদমসিগী অশেংবা মীয়ামগী মীহুৎশিংতনা শেমজবা অনৌবা লৈঙাক অমা হায়বদু লাক্লে। ইরমদমসিদা লৈরিবা ইরৈচা ঐখোয় খুদিংমক্লা পাঙদিং মান্ননা ইরমদমসি চাওখৎনবা হোৎনমিন্নহৌসি। ইরমদমসিনা লায়ররগা কনা লাক্তুনা মতেং পাংবীরগনি? অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদসু ঐখোয় পঙথদুনা লৈহৌরবদি ঐখোয় চাওখৎপা হায়বদু খক মশক খঙলরোই। তশেংনা হায়রবদা, ইরমদম মণিপুরসিমুক শেল-থুমগী ফীভম শোকচিনবসিবু ইন্দিয়াগী ওইনা করম্বা ষ্টেট অমমুক লৈরমখিদগে? মমাঙদা পানখিবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংদু শেঞ্জা-থুমজাগী থবক্তদি হালেংবা লৈতবা ঙাক্তা ওইনা তানখি। হন্দক্কীসিনা হান্নগী মী ওইজরবসু পুম্নৌ নৌনা শেম্বা লৈঙাক অমা ওইবগী অনৌবা মহাও অমদি লৈরক্কনি হায়বগী মমি মচেৎ মচা অমত্তংদা ওইরসু তাবগুম্নদি উনরি। য়েংবদি তাবনি, হৌজিকপুদি মৌ অনৌবীগুম থোক্লিবনিনা, হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাকসিগী মরমদদি কনামত্তনা করিমত্তা হায়বা ঙম্নখিরোই। খঙদ্রে, মমাঙদা ইরমদমসিদা পানখিবা লৈঙাকশিংদুগী লুচিংবশিংদুনা তৌখিবা থৌদৌশিংদু নীংশিংলুরগনি ঐখোয়না হন্দক্কী অনৌবা পানবদা ঙায়রিবা লৈঙাক সিমত্তংদি ইন ওল রেস্পেক্টস ফহনবীয়ু হায়দুনা তাইবঙ শেম্বা মপুদা খুরুমজরিবসি।


ইরমদমসিগী মীয়াম ঐখোয়সি চহী মশাঙ অমা মীকপ থোক্তনা অকাউবগী ঈরোলনুংদা তূমদুনা লৈরুবা মীগা চপ মান্নরবনি। মীগীনা রোকেটপু তোংব-ও, জহাজবু তোংব-ও, চাওখৎপা মফমশিং য়ৌরুবগী ৱারী ঙাক্তনি শানরিবা, ঐখোয়গীনা পূম্নমক্তু অমত্তা খঙনদ্রবনি। হৌজিক্তি ঐখোয়সু মিকপ থোক্লবনিনা, থেংলসু থেংনা ইরমদমসি চাওখৎনবা পূন্না হোৎনমিন্নরসি। ইরমদমসিবু চাওখৎলবদি ঐখোয় ইশাসু শোয়দনমক্কী চাওখৎলক্কনি। শুপ্নগী ইরন্নাই খক্কী ওইনা চাওখৎনবা হোৎনরিঙৈদা অপূনবগী ওইবা ইরমদমসি চাওখৎহৌনবা ৱাখল্লোনদি অমত্তসু খন্থহৌদবগী থবক্তু অমুক মখা তানা তৌনরগুমসি। ●

# খোঙউপ লোনবগী তাইবঙদা মূক্তামনি পদ্মশ্রী -১১



শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল
**ডা. লাইশ্রম ইমোবা**

কুমজা ১৯৯৩দা টুরিজম অমদি ইন্দষ্ট্রিজ লোয়শঙনা ইম্ফালগী ইন্দিরা পার্কতা পাঙথোকখিবা এগজিবিশন অদুদা 'নিটেদ শু' গী লম্‌দা অহানবা মনা ফংদুনা মীয়াম্না শক খঙবীখ্রবা মতুংদদি মহাক মেলাগী মচৎ-মহাও হাইরপ খঙলকখি। শুন্নমক্তবু মদুগুম্বা থৌরম য়াওগে হায়বদি পোথোক মশীং য়াম্না পুথোক্তুগদি ষ্টোল হাঙদুনা লৈবা তাই। মসি খঙলকপদগী খোঙউপ লোনবসি মাগী মখাদা শিন্দম্বী, মখূৎ চৎলক্লুবী কয়াগা লোয়ননা হেক শংবগা লোনবা, শিন্দম্বীশিংদুগীনা নুমিৎ খুদিংগী মতম নাইনা থবক শুরে। পোথোকশিং ষ্টোক তৌশিন্দুনা থন্নগে হায়না খল্লকখি। মহাক্কী মপুরোইবা ফাওবনা খুগা ককপা য়াওবীরকখি। খুগা ককপা, লোনবা-খোৎপা খুদিং হেক লোইবগা মাগী-মাগী পীফম থোকপা খূৎশুমল পীবীবনিনা মচা-মনাওশিংদো অয়াম্বনা থৱায় য়াওনবা ঙাক্তা ওইনা তৌখি। মশাগী তোঙানবা শো রুম অমা হাংবা ঙমদ্রবসু ময়ূমদা লৈবা, ওর্দর তৌবদি অদুম মরাকই হায়।



ত্রেদ ফ্যেরগী ষ্টোলদা মুক্তামনি (১৯৯৭)

খূৎনাইবা খূৎনাইবীশিংগী ওইনদি পোথোক পুথোক্লিবা মখোয়গা পোথোকশিং অদুবু লৈদুনা শীজিন্নগদৌরিবা কঞ্জুমরশিং অদুগা অনীগী মরক্তা খোংবান চেনবীবা অমা চংই। মসিগুম্বা মীওইসি থেংননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিল মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসকী মিৎয়েং মখাদা কুম খুদিংগী হেক-হেক পাঙথোকপা ''ইন্টরনেশনল ত্রেদ ফ্যের' হায়বসি অচৌবা থৌরম অমনি। ত্রেদ ফ্যের অসি দেল্লীগী প্রগতি মৈদ্যানদা হেক-হেক পাঙথোকই। মসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদগী আর্টিষানশিং, ওন্ত্রপ্রেনিওরশিংনা মাগী-মাগী পোথোকশিং উৎলি/য়োল্লি। মদুদা মালেমগী লৈবাক কয়াদগী লল্লোন-ইতিক তৌবশিং লাকই। মখোয়না হকথেংননা পোথোক পুথোক্লিবশিংগা উন্নবগী খুদোংচাবা পীবা হায়বসিনা ত্রেদ ফ্যের অসিগী পান্দমনি।

অসিগুম্বা ত্রেদ ফ্যের অসিদা মুক্তামনিবু মহাক্লা লোনবা খোঙউপশিং উৎলু-য়োল্লুনবা মণিপুরগী ইন্দষ্ট্রিজ লোয়শঙনা খঙহল্লকখি। মদু কুমজা ১৯৯৭তনি। মহাক্কী ওইনদি অহানবা ওইনা মণিপুরগী মপান্দা, মদুসু মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ত্রেদ ফ্যেরদা শরুক য়াবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মদুগীদমক মচাক লাংখৎপা হৌই। মরোই-মনাওশিংগা পূন্না লোনমিন্নবা খোঙউপ জুরাশিং তাশিন-খোমজিন্দুনা চাওরাক্লা তোঙান-তোঙানবা সাইজদা খোঙউপ জুরা ১,৫০০ রোম থৌরাং তৌখি। লম খরা লাপ্পা নুমিৎ তরামঙানিগী প্রোগ্রামসু ওইরবনিনা, খোঙচৎ অদুমদি মহাক মপুরোইবগা পূন্না চৎমিন্নখি। প্রগতি মৈদ্যানগী চাউখ্রবা লম্পাক অদুগী মণিপুর পেভিলিয়নদা মহাক্কী ষ্টোল অমা ফংদুনা মাগী পোথোকশিং থেন্দুনা উৎনবা/য়োন্নবা থৌরাং তৌখি।

পূন্সিদা অহানবা ওইনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ত্রেদ ফ্যের অমদা শরুক য়াবা ফংখিবা মিৎকুপ অদুমদি মহাক্লা খক কাউবা ঙম্লোই হায়জে। হরাওবগা পাখৎপগা ইয়ান য়ানশিন্নবা অঙকপা অনৌবা এক্সপরিএন্স অমনি। চাউখ্রবা লম্পাক অদুদা ষ্টেট অমমমগী তোঙান-তোঙানবা মান্দপ (শঙ) খাইদোকই। মণিপুর ষ্টেটকী শঙ অদুদা ফংবা মহাক্কী ষ্টোলদুদা মপুরোইবগা মখোয়নি শেম-শাদুনা হোৎনবনি। য়াম্না নুংঙাইখিবা অমনা ককচীংদগী মখোয়নি ত্রেদ ফ্যের য়াওবা লাকই হায়বা খঙবদগী মতমদুদা দেল্লীদা মহৈ-মশিং তম্বা লাকখিবা/লৈরিবা ককচীংগী নহা খরসু লাক্তুনা মাগী ষ্টোলদা মতেং পাংলখি।

অহানবা য়াওখিবা ত্রেদ ফ্যের অদুগী অহৌবা নুমিৎতা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমসু থোকখি। ষ্টোল অদুদা হুপচিল্লক্লিবা মীসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। মরোল-মরী ফাওনদবা মীতৈলোল ঙাঙদবা ময়ামদুনা পোৎ য়েংবা, লৈবা, মদুগী মরমদা হংবও-করিও পুল্লাংনি। চৈরক্তুদা খোঙউপ জুরা অমা সাইজনচিংবা হংন-খোৎনদুনা লৈনরিঙৈদা মাগী শেল য়াওবা বেগ য়েপ্তুনা পুবীখি। মদুদা নুমিৎতুগী পোৎশিং অমদি মশাগী হান্না পুজরকপা য়াওনা লুপা লিশীং মঙা চাম্মঙারোম য়াওখি। মদুদা মহাক বেগ লাকখ্রে হায়না লাওবগা লোয়ননা কপসু কপখি হায়। অশিন-অরাংশিংনা মণিপুরগী পেন্দলগী চংফম থিংজিন্দুনা বেগ লাকখিবদু থিনবা হোৎনখি। অদুবু পোৎলাকপা অদুদি ফাবা ঙমখিদে। চাওখৎলবা অচৌবা সিটিদসু, মীনৌ ওইবা, পংতক-শুতক তৌবশিংদগী পোৎ-চৈ, শেল-থুম লাকপা, হুবা, মুনবগী থবকসি অদুম মতৌনবোইরে খঙলকখি। মদুনা অচৌবা পড়া অমদি ওইখি হায়ববু মথ্বায়দি য়াম্না নুংঙাইখিদে। করিগীনো হায়বদা মপূন্সিগী অহানবা শরুক য়াখিবা ত্রেদ ফ্যের অদুদা অহানবা য়োনখিবা খোঙউপকী পোৎশিং (খূৎলামখাঙ) কী শেনফম য়াওখিবদুনি। মতুংদদি য়াম্না চেকশিনজরে, ককচীংগী মচা-মনাওশিংনসু শেন্নবীরে। ইন্দিয়ানশিংগী মচৎ অমদি খঙলকখি।

ত্রেদ ফ্যের অসিগীদমক মখোয় অনীগী হন্দোক-হঞ্জিনগী ত্রেনগী অতোংমল অমদি লৈফম্নচিংবদি মিনিষ্ট্রিনা ঙম্না পুথোকপীবনি। শুপ্নগী চানবগীখক মখোয় মশানা পুথোকচবনিনা, মশাগী অয়াওবা শেনফম পুল্লপ্পা লাকখ্রবসু থোইনদি নুংনাংখিদে। মণিপুরদগী ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনচিংবসু য়াওরিবনি। অদুগী মথক্তা য়োনগদবা পোৎসু অয়াম্বা লৈরিবনি। শুপ্নগী খূৎলামখাঙগী শেনফমদো য়াম্বা য়ামদবগী ৱা নত্তনা, মদু য়াওনা লাকখিবদুগীদি ঙসিসু অদুম্মক নিংদোল পোল্লি, 'ওন্থোক্লা লাকচনা…''। অমুকসু খনখি, লাক্কদবা ফত্তবা পূম্নমক্কী মহুৎ শিনবা ওইখ্রসনু। অচৌবা ঈপাক্তা, অপীকপা ঈপাক্কী ঙানা ঈরাক্লদুনা শিবা হৌনব্রা খন্দুনা পূক্নিংদি হন্থবা তৌখিদে হায়। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।